অহানবা ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

য়ুনিক মোদেল একাদেমিনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : দেসাম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মিৎয়েং মখাদা দেসাম শওঙ্লুং য়ুনিট কাউন্সিলনা শিল্লগা শওঙ্লুং হায় স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরকখিবা অহানবা ইন্টর স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা য়ুনিক মোদেল একাদেমিনা মায় পাক্লুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী য়ুনিক মোদেল একাদেমি অমসুং লমলাই হায় স্কুল শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। ফাইনেল মেচ অদুগী ৭শুবা মিনিটতা য়ুনিক মোদেল একাদেমিগী জর্সি নম্বর ৭ সনামচানা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। সনামচানা চনখিবা গোল অদুনা ফাইনেল মেচ অদু য়ুনিক মোদেল একাদেমিনা গোল ১-০ দা মাঙজিল থারগা লৈহনখি।

গোল অদু হন্দোক্নবগীদমক লমলাই হায় স্কুলগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। ফাইনেল মেচ অদুদা মায়থীবা য়াদে হায়বগী পান্দমদা লমলাই হায় স্কুলনা এটেক কয়া চথরকপদগী মেচকী ১৮শুবা মিনিটতা লমলাই হায় স্কুলগী জর্সি নম্বর ১২ এন অর্জুননা গোল অদু হন্দোকপদগী মেচ অদু গোল ১-১ দা লৈখি। টিম অনীমক্না মখা তানা এটেক চথনদুনা ফাইনেল মেচ অদুদা অহেনবা গোল চন্ননবা হোৎনরকখি। মেচকী ৩১শুবা মিনিটতা য়ুনিক মোদেল একাদেমিগী জর্সি নম্বর ৪ রোহিট এসনা গোল অমা অমুক চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা লমলাই হায় স্কুলনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা লমলাই হায় স্কুলনা গোল অদু হন্দোক্নবা অকনবা এটেক কয়া মখা তানা চথরকখি। এটেকশিং অদু য়ুনিক মোদেল একাদেমিনা নিংথিনা দিফেন তৌদুনা মেচ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমহনখিদে। ফাইনেল মেচ অদু য়ুনিক মোদেল একাদেমিনা গোল ২-১ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর এন প্রবিন্না চীফ গেষ্ট, দেসামগী প্রসিদেন্ট এম অঙন্বা মীতৈনা প্রসিদেন্ট, তেলৌ চনা সৈজাং জি পিগী জিলা পরিষদ মেম্বর টি রতন, খুন্দ্রাকপম পব্লিক স্কুলগী হেদ মাষ্টর ঐচ চাউথোই, রোয়েল একাদেমি ওফ সাইন্সকী ভাইস প্রিন্সিপাল ইন চার্জ এন টিকেন্দ্রজিৎ, সোসিএল ৱার্কর অচোইবম দেবেন অমসুং সোসিএল ৱার্কর ইরুংবম রবিচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা দাইজ মেম্বর ওইখিবশিংনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা য়ুনিক মোদেল একাদেমি অমসুং রন্নর্স-অপ তাহৌরবা লমলাই হায় স্কুলগী শান্নরোয়শিংদা ত্রোফি য়াওনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমনা রোয়েল একাদেমি ওফ সাইন্স ৱাংখৈনা তাখি। টোপ স্কোররনা গোল ১২ চনখিবা লমলাই হায় স্কুলগী এন অর্জুননা তাখি। বেষ্ট গোল কিপরনা য়ুনিক মোদেল একাদেমিগী গোল কিপর বিজান্দোনা তাখি। বেষ্ট দিফেন্দরনা লমলাই হায় স্কুলগী এম লাইবনা তাখি। অদুগা বেষ্ট প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টনা য়ুনিক মোদেল একাদেমিগী সনামচানা তাখি।

মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

এস এ কে অমসুং আর এ য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা (এ বি এ) গ্রাউন্দদা চথররিবা মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস এ কে অমসুং আর এ য়ু (রাও) মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১৫ তাবদগী এস এ কে অমসুং য়ু পি এস এ শান্নখি। মেচ হেক হৌরকপদগী টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ১৩শুবা মিনিটতা এস এ কেগী জর্সি নম্বর ৩ টি রোনেলনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৬ কান্নরগা মেচকী ১৯শুবা মিনিটতা এস এ কেগী জর্সি নম্বর ৯ এম রোমিনা গোল অমা অমুক চন্দুনা মেচ অদু এস এ কেনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থারগা লৈহনখি।

গোলশিং অদু হন্দোক্নবা য়ু পি এস এনা ফনা কন্না হোৎনখি। য়ু পি এস এনা গোল হন্দোক্নবগীদমক চথরকখিবা এটেকশিং অদু এস এ কেনা য়াম্না ফজনা দিফেন তৌরগা শান্নখি। অহানবা হাফকী অরোইবা মিনিট ফাওবদা য়ু পি এস এনা গোল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু য়ু পি এস এনা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চথখি। অদুবু এস এ কেনা য়াম্না ফজনা দিফেন তৌরগা শান্নখি। মচে লোইরমদাইগী মতম হায়বদি ৮৮শুবা মিনিটতা এস এ কেগী জর্সি নম্বর ১০ সঙ্করনা গোল অমা অমুক চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ৩-০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু হন্দোক্নবা চোকথবা নাইদনা হোৎনরকপনা য়ু পি এস এগী জর্সি নম্বর ১০ ইতোচানা মেচকী ৯০ প্লস থ্রি চৎপা মতমদা গোল অমা হন্দোক্লুনা মেচ অদু ১-৩ দা লৈহনখি। অদুমকপু মেচ লোইবা ফাওবদা অতোপ্পা গোলশিং অদুদি য়ু পি এস এনা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু এস এ কেনা য়ু পি এস এবু গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪৪শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১৫ তাবদগী রাও অমসুং য়ু পি এ এ শান্নখি। মেচ হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ২৮শুবা মিনিটতা রালগী জর্সি নম্বর ৭ চানসো হোরাম্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা য়ু পি এ এনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা য়ু পি এ এনা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৫২ শুবা মিনিটতা য়ু পি এ এগী জর্সি নম্বর ৯ এন রাজুনা গোল অদু হন্দোক্লুনা মেচ অদু গোল ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। মখা তানা টিম অনীমক্না মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথনরকখি। মেচকী ৭৭শুবা মিনিটতা চান্সো হোরাম্না গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু রাওনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থারগা লৈখি। রাওগী অনীশুবা গোল অদু য়ু পি এ এনা মেচ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু রাওনা য়ু পি এ এবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা য়ু পি এ এগী এল শান্তনু অমসুং রাওগী দল্লিয়ু ওলেনজিৎ, এল ধনজিৎ মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

মণিপুরগী চার্মি অমসুং বুশন্না চেম্পিয়ন ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওজষ্ট ০৯ : মণিপুর টেনিস এসোসিএসন (এম এ টি এ) গী মিৎয়েং মখাদা লম্ফেল পাৎতা লৈবা ওফিসারস ক্লবকী টেনিস কোর্টতা চথরিবা ওল ইন্দিয়া টেনিস এসোসিএসন (আইটা) চেম্পিয়নশিপ সেরিজকী ঙসি শান্নখিবা অন্দর-১৪ গার্লস অমসুং অন্দর-১৪ বোইজগী ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্লুনা মণিপুরদগী চার্মি নোংমৈকাপ্পম অমসুং বুশন হাওবম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। অন্দর-১৪ গার্লসকী ফাইনেল মেচতা মণিপুরগী চার্মি নোংমৈকাপ্পম্না আসামগী কলপিটা রাজখোৱাবু ৬-১, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অদুগা অন্দর-১৪ বোইজগী ফাইনেলদনা মণিপুরগী বুশন হাওবম্না আসামগী অঞ্চিৎ গোগোয়বু ৬-৭(৭/৩), ৬-৩, ৬-১ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। অন্দর-১৪ বোইজ দবল ফাইনেলদনা আসামগী অঞ্চিৎ গোগোয় অমসুং আর্নেস বোরাগী জুরানা টেলঙ্গনাগী ফুসাল অমসুং মণিপুরগী অশ্বজিৎকী জুরাবু ৬-১,৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

সাই এস এ জিনা এফ সী মোইরাংবু গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা এল ইতোমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাই এস এ জি উৎলৌনা এফ সী মোইরাংবু গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৭ না শরুক য়ারগা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী এফ সী মোইরাং অমসুং সাই এস এ জি উৎলৌ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী গোল অনী অমসুং সাই এস এ জিনা গোল অমখক চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এফ সী মোইরাংনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা হাফতা সাই এস এ জিনা গোল অহুম অমসুং এফ সী মোইরাংনা গোল অমা চনখি। মেচ অদু সাই এস এ জিনা গোল ৪-৩ দা মায় পাকখি।

সাই এস এ জিগী মায়কৈদগী চনখিবা গোল ৪ অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ এন অজিৎকুমারনা মেচকী ৩২শুবা মিনিটতা গোল অমা, মেচকী ৭০শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৫ আর কে কুকুলিন্না গোল অমা, মেচকী ৭২শুবা মিনিট অমসুং ৭৬শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৬ এস জোনসন্না গোল অনী চনখিবনি। এফ সী মোইরাংগী মায়কৈদগী চনখিবা গোল অহুম অদুনা মেচকী ২১শুবা মিনিটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৬ লালরমশাংনা গোল অমা, মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ৭ ঐচ জোনসন্না অমা অমসুং মেচকী ৭৩শুবা মিনিটতা জর্সি নম্বর ১৯ বুংলেন্না গোল অমা চনখিবনি।

মেচ অদুদা এফ সী মোইরাংগী ঐচ রোমেন অমসুং সাই এস এ জিগী কে ঐচ অরুন মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি। অদুগা মেচকী ৮৩শুবা মিনিটতা এফ সী মোইরাংগী জেমস মেচতগী তাঙ্খোকখি।

১৩ শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭

ছটিশ, বিনিস, সোনিয়া, অবি অমসুং ক্রাউনলেদি ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসন্না শিল্লগা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৩ শুবা গভর্ণরস কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংগী ফাইনেল মেচশিংদা এস দল্লিয়ু সীগী টি ঐচ ছটিশ, সাইগী টি ঐচ বিনিস, সাইগী দল্লিয়ু সোনিয়া, এস দল্লিয়ু সীগী এল অবি অমসুং য়ু পি এ এগী ক্রাউনলেদি ৱিন্নর ওইখ্রে।

কেদেট ইপি বোইজকী ফাইনেল মেচতা এস দল্লিয়ু সীগী টি ঐচ ছটিশনা মায় পাক্লুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা কে ঐচ এস সীগী অমরজিৎনা রন্নর্স-অপ তাখি। কেদেট ফোইল বোইজকী ফাইনেল মেচতনা সাইগী টি ঐচ বিনিসনা মায় পাক্লুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা এস দল্লিয়ু সীগী ও কে দিনেসনা রন্নর্স-অপ তাখি।

সব জুনিয়র ফোইল গার্লসকী ফাইনেল মেচতনা সাইগী দল্লিয়ু সোনিয়ানা মায় পাক্লুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা সাইগী এল নিরমলানা রন্নর্স-অপ তাখি। সব জুনিয়র সেবর গার্লসকী ফাইনেলদনা এস দল্লিয়ু সীগী এল অবিনা মায় পাক্লুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা এস দল্লিয়ু সীগী এল জেসিনা রন্নর্স-অপ তাখি। সব জুনিয়র গার্লস ইপিদনা য়ু পি এ এগী ক্রাউনলেদিনা মায় পাক্লুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা সাইগী নেন্সিরোজনা রন্নর্স-অপ তাখি।

টাই ক্বান্দোগী ত্রাইএল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শিল্লগা অন্দর-১৪ এন্দ ১৭ বোইজ এন্দ গার্লসকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল টাই ক্বান্দো ত্রাইএল সেলেক্সন টেষ্ট খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লাক্লিবা ওগষ্ট ১১ অমসুং ১২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস ওফিসার ইম্ফাল ইষ্ট নিরমলাতানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লাক্লিবা ওগষ্ট ১১ অমসুং ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল টাই ক্বান্দো ত্রাইএল সেলেক্সন টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মাঙজৌননা ফোর্ম পীশিল্লকখ্রবা চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা অয়ূক পুং ৬.৩০ নংনবা লাক্লগা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

টি ৱাই দি এনা গোল ৫-০ দা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিল্লগা তোঙান তোঙানবা টিম ১৩ না শরুক য়াদুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা মরিশুবা ঐচপিশক মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি ৱাই দি এনা গোল ৫-০ দা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী ক্রেসা অমসুং টি ৱাই দি এ শান্নখি। মেচ অদু টি ৱাই দি এনা ক্রেসাবু গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখি। টি ৱাই দি এগী মায়কৈদগী চনখিবা গোল মঙা অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৫ দল্লিয়ু রনবিরনা মেচকী ৩১ অমসুং ৪২শুবা মিনিটতা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ জোসিদাসনা মেচকী ৫২শুবা মিনিটতা গোল অমা, টি ৱাই দি এগী এল জোসিদাসনা মেচকী ৬২শুবা মিনিটতা গোল অমা চনখি। অদুগা অতোপ্পা গোল অমদুনা ওন গোল ওইনা সাইনিকিটনা চনখিবনি।

কুকি স্পোর্টিং ক্লব অমসুং পি ৱাই সী ফাইটোল ফাইনেল শান্নরগনি

জিরিবাম, ওগষ্ট ০৯ : ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ (অন্দর-১৩) ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা পি ৱাই সী ফাইটোলনা ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়াপু গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি পি ৱাই সী ফাইটোল অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপড়া শান্নখি। মেচ অদুগী ১২শুবা মিনিটতা পি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ সাংবোয়না গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৩৩শুবা মিনিটতা সাংবোয়না গোল অমগসু অমুক চনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পি ৱাই সীনা গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী ৫৪শুবা মিনিটতা পি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৬ জাঙ্গৈগিন্না গোল অমা অদুগা সাংবোয়না মেচকী ৫৬ অমসুং ৬৬শুবা মিনিটতা গোল অনী অমগসু চনখি। গোলশিং অদু মেচ লোইবা ফাওবদা ওরিয়েন্টেল ক্লবনা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু পি ৱাই সীনা গোল ৫-০ দা মায় পাকখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা কুকি স্পোর্টিং ক্লব অমসুং পি ৱাই সী ফাইটোল লাক্লিবা ওগষ্ট ১১ দা শান্নরগনি।

মণিপুর অমসুং ওরিষা ফাইনেল শান্নরগনি

জিরিবাম, ওগষ্ট ০৯ : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মিৎয়েং মখাদা ওরিষাগী কটক্তা লৈবা বারবটি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা জুনিয়র গার্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ফাইনেলদা মণিপুর অমসুং য়ুম্নু ওইরিবা ওরিষা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুরনা দেল্লিবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙখি। অদুগা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতনা উরিষানা ৱেষ্ট বেঙ্গলবু গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি। মণিপুর অমসুং দেল্লিগী শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুরগী ক্রিটিনানা ৪০শুবা মিনিট অমসুং ঐচ দয়ানা ৫৯শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখিবনি।

অনুপমা, অমরজিৎ, প্রামেশ্বরি অমসুং রোহিটনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসনা শিল্লগা ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল আর্চরি অন্দর-১৪ অমসুং ১৭ বোইজ এন্দ গার্লস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই অনুপমা, ইম্ফাল ইষ্টকী এ কে অমরজিৎ, থৌবালগী কে প্রামেশ্বরি অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ রোহিটনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

আর্চরিগী ওইনা রিকর্ভ অন্দর-১৪ গার্লসকী মিটর ৬০ গী দিষ্টেন্সতা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই অনুপমানা পোইন্ট ২৯১ স্কোর তৌদুনা অহানবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী লনচেনবী য়ুনা পোইন্ট ২৪৩ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অমসুং থৌবালগী এল সিমানা পোইন্ট ২৪০ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। রিকর্ভ অন্দর-১৪ গার্লস মিটর ৫০গীদনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই অনুপমানা পোইন্ট ৩২০ স্কোর তৌদুনা অহানবা, থৌবালগী এল সিমানা পোইন্ট ২৯৫ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লনচেনবী য়ুনা পোইন্ট ২৫৭ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। রিকর্ভ অন্দর-১৪ গার্লস মিটর ৪০গীদনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই অনুপমানা পোইন্ট ৩১৪ স্কোর তৌদুনা অহানবা, থৌবালগী এল সিমানা পোইন্ট ২৮৮ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লনচেনবী য়ুনা পোইন্ট ২০৫ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। রিকর্ভ অন্দর-১৪ গার্লস মিটর ৩০ গীদনা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই অনুপমানা পোইন্ট ৩৪০ স্কোর তৌদুনা অহানবা, থৌবালগী এল সিমানা পোইন্ট ৩১৪ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লনচেনবী য়ুনা পোইন্ট ২৬৮ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

রিকর্ভ গার্লস অন্দর-১৪ গী ওভর ওলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই অনুপমানা পূন্না পোইন্ট ১২৬৫ স্কোর তৌদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা থৌবালগী এল সিমানা পোইন্ট ১১৩৭ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী লনচেনবী য়ুনা পোইন্ট ৯৭৩ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাখি। রিকর্ভ বোইজ অন্দর-১৪ গী ওভর ওলদা ইম্ফাল ইষ্টকী এ কে অমরজিৎনা পোইন্ট ১২৭১ স্কোর তৌদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী এম দি অমন্না পোইন্ট ১২২১ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী রাহুল ইরেংবম্না পোইন্ট ১০৫৩ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা তাখি।

রিকর্ভ অন্দর-১৭ বোইজকী ওভর ওলদা ইম্ফাল ইষ্টকী কে ঐচ রোহিটনা পোইন্ট ১২৩২ স্কোর তৌদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দল্লিয়ু লিওনার্দনা পোইন্ট ১২২৪ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী বোইপু বাইতেনা পোইন্ট ১২১৭ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা তাখি।

রিকর্ভ অন্দর-১৭ গার্লসকী ওভর ওলদনা থৌবালগী কে প্রামেশ্বরিনা পোইন্ট ১০৯১ স্কোর তৌদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইখি। অদুগা থৌবালগী এল সোনিয়ানা পোইন্ট ৯৯২ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা অমসুং থৌবালগী টি ঐচ সমন্তানা পোইন্ট ৯১৩ স্কোর তৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ষ্টেট লেভেল ইন্টর স্কুল হেন্দবোলগী অন্দর-১৪ গার্লসকী হেন্দবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা জিরিবাম, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপীগী টিমশিং মায় পাকখ্রে। অদুগা অন্দর-১৭ বোইজ হেন্দবোলগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদনা ইম্ফাল ইষ্ট, ফেরজোল, চান্দেল, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট মায় পাকখ্রে। হেন্দবোলগী সেমী ফাইনেল মেচশিং হয়েং শান্নরগনি।

ঐচ আই এস য়ু অমসুং এস ৱাই দি এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালগী মিৎয়েং মখাদা ৱাংজিংদা লৈবা কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা অহুমশুবা এল ইবেতোম্বী দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ঐচ আই এস য়ু অমসুং এস ৱাই দি এ মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম তরুক্না শরুক য়ারগা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী ঐচ আই এস য়ু থৌবাল অমসুং দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপগী ১১শুবা মিনিটতা ঐচ আই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২১ টি ঐচ প্রেমজিৎনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ২১শুবদা ঐচ আই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ২ গাইহিয়ামলুং কামৈনা গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল অনী মাঙজিল থারগা লৈহনখি। মেচকী ২৯শুবা মিনিটতা দল্লিয়ু ৱাই এফ সীগী জর্সি নম্বর থ্রি টি নোংপোক ঙানবনা গোল অমা হন্দোক্লুনা মেচ অদু ১-২ দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা দল্লিয়ু ৱাই এফ সীনা অনীশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৫১শুবা মিনিট অমসুং ৫৫শুবা মিনিটতা ঐচ আই এস য়ুগী জর্সি নম্বর ১৪ এল দোনাল্ড অমসুং জর্সি নম্বর ১৭ রোবিনসন মারনা গোল অনী অমগসু চনশিনখি। অহেনবা গোলশিং অদু মেচ লোইবা ফাওবদা দল্লিয়ু ৱাই এফ সীনা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু ঐচ আই এস য়ুনা দল্লিয়ু ৱাই এফ সীবু গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা দল্লিয়ু ৱাই সী ৱাংখেম অমসুং এস ৱাই দি এ অথোকপম শান্নখি। মেচ অদু এস ৱাই দি এনা দল্লিয়ু ৱাই সীবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

এস ৱাই দি এগী গোল অহুম অদু জর্সি নম্বর ২৪ এল কুমারজিৎনা ৬শুবা মিনিট, জর্সি নম্বর ৫ এল অশোক্না ২০শুবা মিনিট অমসুং জর্সি নম্বর ১২ এল জোনসন্না মেচকী ২৪শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা দল্লিয়ু ৱাই সীগী গোল অনী অদুনা জর্সি নম্বর ৮ এল বিনোয়না মেচকী ২৯শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৬ ঐচ কেনেদিনা মেচকী ৭৯শুবা মিনিটতা চনখি।

১৬ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ/টুর্নামেন্ট

ৱাই পি ও মায় পাকখ্রে, ৱাই দি ও অমসুং কে পি এস সী দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ : দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শিল্লগা চথরিবা ১৬ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ/টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই পি ও সোরা মায় পাকখ্রে। ৱাই দি ও সোরা অমসুং কে পি এস সী ককচীং দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম নিপান্না শরুক য়ারগা ককচীংগী দি এস এ গ্রাউন্দদা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী ৱাই পি ও সোরা অমসুং এস এ ও ককচীং শান্নখি। মেচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। মেচকী ২১শুবা মিনিটতা ৱাই পি ওগী জর্সি নম্বর ১০ এম দি রাজানা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ২৯শুবা মিনিটতা ৱাই পি ওগী জর্সি নম্বর ২ এম দি নজির অহম্মদনা গোল অমগা অমুক চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ২-০ দা মাঙজিল থারগা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফকী ৬৫শুবা মিনিট অমসুং ৭৩শুবা মিনিটতা ৱাই পি ওগী জর্সি নম্বর ১৫ রেংখুঙম অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ ৱাই সোচিংনা গোল অনী অমগসু চনখি। গোলশিং অদু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এস এ ওনা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু ৱাই পি ও সোরানা এস এ ও ককচীংবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.১০ তাবদগী ৱাই দি ও সোরা অমসুং কে পি এস সী ককচীং শান্নখি। টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনরগা মেচ হৌবদগী লোইবা ফাওবা শান্নখি। মেচকী ২১শুবা মিনিটতা কে পি এস সীগী জর্সি নম্বর ৯ ঙমনৈরিলনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু মেচকী ৩৭শুবা মিনিটতা ৱাই দি ওগী জর্সিনম্বর ১৭ এম দি নাসির হুসেন্না হন্দোক্লুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ১-১ দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা হোৎনখি। মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৯০ প্লস ৱান চৎপা মতমদা ঙমনৈরিল কোমনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু কে পি এস সীনা গোল ২-১ দা মাঙজিল থাহনখি। অদুবু হেক থংনবা মিনিট মেচকী ৯০ প্লস টু চৎপা মতমদা ৱাই দি ওগী য়ু সরতনা গোল অদু হন্দোকপদগী মেচ অদু গোল ২-২ দা ইক্বেলাইজ তৌদুনা দ্রো চৎখি।

Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com